ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

# হুইয়েন লানপাও

The Largest Circulated Newspaper in Manipur



‘ইমাগী মৈরা’ গী প্রসিদেন্ট থোকচোম সুজতা অমসুং লূপ অসিগী থৌমীশিংনা মণিপুরদা মীয়ামগী লৈঙাক লিংহনবীয়ু হায়দুনা প্রসিদেন্ট দ্রৌপদি মুরমুদা পীশিনখিবা অইবা চেরোল

লৌশিং পূক্কে : নুপাগী পূক্নিং ৱাখলগা মরী লৈনবা ... ☛ লামায় ২

লামায় ৪ ☛ ব্রেকিং ন্যুজদা ইচা ঙাঙবম বেম বেম

‘হূই অঙাওবগী হূইবু-!’ ☛ লামায় ৫

লামায় ৬ ☛ ষ্টেটসিদা নুপীশিংবু হন্থনা খনবা অমদি তাথি-তাওইনা...

অনৌবা ইনকম টেক্স বিলনা মীয়ামগী ঈমেইল, সোসল... ☛ লামায় ৯

লামায় ১২ ☛ থাও থাংমৈবন্দনা শেদো থাংমৈবন্দবু লাকচনা...

ইম্ফালগী নোর্থ এ ও সীদা লৈবা ইন্দিরা গান্ধী নেশনল ওপন য়ুনিভর্সিটিগী ৩৮শুবা কনভোকেশন পাঙথোক্তুনা মহৈরোয়শিংদা শকখঙচেশিং য়েন্থোক্তুনা পূক্নিং থৌগৎখিবা



Vol. 48, Issue No. 329 | শগোলশেন, লমতাগী ৭নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO | Thursday, March 06, 2025, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.50

## লাইশ্রম কমলবাবুগী লংলা-লংজিন ফংদবা নুমিৎ ১০১ শুরে জি ও সীনা মহাক্কী ইমুংদা থবক ১ পীরগে হায়রক্লে

**ইম্ফাল, মার্চ ০৫ (ঐচএনএস) :** মমাঙ চহী ২০২৪গী নবেম্বর ২৫গী অয়ুক পুং ৯ লোম তারকপদা লৈমখোংগী ৫৭-মাউন্টেন দিভিজনগী কেম্পসতা থবক শূরিবা এম/এস এল বিনোদ কন্সত্রক্সন কম্পনিগী সুপরভাইজর ওইজবা অসামগী কছার দিষ্ট্রিক্টকী গোসাইপুর খুলদগী লাক্লগা লোইতাং খুনৌ মনীং লৈকায়দা লৈরকখিবা লাইশ্রম কমলবাবু (৫৬) অপোকপা লৈখিদ্রবা এল কুমারধোননা নুমিৎয়ুংবা মতুংদগী আর্মিগী কেম্পস অসিদগী মফম খঙখিদ্রবা মতুং মহাক্কী লংলা-লংজিন ফংবা ঙম্লক্তবা ঙসিগা থানা নুমিৎ ১০১ শুরকপগা ইরোয়ননা ৫৭-মাউন্টেন দিভিজনগী জি ও সীনা মহাক্কী ইমুংগী মীওই অমদা থবক অমা পীরগে হায়বগী ৱাফম ফোঙদোরকখ্রে।



**নবেম্বর ২৫, ২০২৪দা মফম খঙখিদবদগী লংলা লংজিন ফংবা ঙমদবা নুমিৎ ১০১ শুরক্লবা লাইশ্রম কমলবাবু (ফাইল ফোটো)**

ৱাফম অসি লাইশ্রম কমলবাবুনা মফম খঙখিদ্রবা মতুং থংনবা নুমিৎ নবেম্বর ২৬, ২০২৪দা মহাক্কা পোকমিন্নবা মনাওনুপা লাইশ্রম ব্রজবাম্সিনা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা ময়াম্বগী খোঙ্গুল লীবীনবা ফাইল তৌরকখিবা রিট পিটিশন (ক্রিমিনেল) নম্বর ২০ ওফ ২০২৪গী থেঙ্খাং নাইনা চথরক্লিবা ৱায়েলগী মখা তারকপদা ৫৭-মাউন্টেন দিভিজনগী জি ও সীগী মায়কৈদগী ফোঙদোরকখিবনি।

ক্রিমিনেল রিট পিটিশন অসি থা অসিগী ৩দা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী চীফ জষ্টিস দি কৃষ্ণকুমার অমসুং জষ্টিস গোলমৈ গাইফুলশিল্লু কবুইগী বেঞ্চনা হৌজিক ফাওবগী ওইনা ইকোন কোন্না লৌখৎতুনা পিটিশন অসিগী মখা তাবা ৱায়েল চথুখি।

কোর্টনা ক্রিমিনেল পিটিশন অসি লৌখৎলকপদা মসিগী মরিশুবা রেস্পোন্দেন্ট ওইরিবা ৫৭-মাউন্টেন দিভিজনগী জি ও সীগী মায়কৈদা লেপখিবা সেন্ত্রেল গভর্ণমেন্ট ষ্টেন্দিং কাউন্সেল (সী জি এস ঈ) বি আর শর্ম্মনা কোর্টতা হায়, ৫৭-মাউন্টেন দিভিজনগী জি ও সীগী মায়কৈদগী ‘কম্পেন্সেট স্কিম’ গী মখাদা মফম খঙদ্রিবা লাইশ্রম কমলবাবুগী ইমুংগী মীওই অমদা ‘কম্পেশনেট এপোইন্টমেন্ট’ পীননবা শেম শাদুনা লৈরে। করিগুম্বা মথৌ তারবদি চহী কোমথোকপা (এজ রিলাক্সেশন) তৌনবা ফাওবা মরী লৈনবা ওথোরিটিনা খন্নগনি অদুবু হায়রিবা থবক অসি ভিক্টিম ওইরিবা লাইশ্রম কমলবাবুগী ইমুংগী মীওই অমনা এপ্লিকেশন পীশিল্লক্লবা মতুংদা খন্নগদবনি হায়বা ৱাফম ফোঙদোকখি।

ষ্টেন্দিং কাউন্সেল অসিনা ৱাফমশিং অসি কোর্টতা সবমিট তৌরকপগা লোয়ননা পিটিস্নর ওইরিবা লাইশ্রম ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## মার্চ ৮দগী হায়ৰে য়াওনা মণিপুরগী লম্বীশিংদা মীয়াম্না মহৌশাগুম্না চৎথোক চৎশিন তৌরগদ্রা

### গভর্ণরনা নেশনল হায়ৰে প্রোজেক্টকী থবকশিং রিভিয়ু তৌখ্রে



**ইম্ফাল, মার্চ ০৫ (ঐচএনএস) :** থা অসিগী ১দা ন্যু দেল্লীদা লৈবা মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়রসগী ওফিসতা হোম মিনিষ্টর অমিট শাহনা প্রিসাইদ তৌদুনা পাঙথোকখিবা মীফম্না মণিপুরগী সিক্যুরিটিগী ফীভম রিভিয়ু তৌখিবগা লোয়ননা মীফম অসিদা শরুক য়াখিবা গভর্ণর অজয় কুমার ভল্লানা লুচিংবা সিভিল অমসুং পুলিস/আর্মিগী মকোক থোংবা ওফিশলশিংদা থা অসিগী ৮দগী হায়ৰেশিং য়াওনা মণিপুরগী লম্বীশিংদা মহৌশাগুম্না মীয়াম চৎথোক চৎশিন তৌহন্নবা অকনবা পাউতাক পীরকখ্রবা মতুংদা ঙসি ইম্ফালগী রাজ ভবনদা গভর্ণরনা চেয়র লৌদুনা হৌজিক চথরিবা নেশনল হায়ৰে প্রোজেক্টশিংগী থবকশিং রিভিয়ু তৌখ্রে। ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## প্রসিদেন্টস রুল শীংনরকপা কেসকী ৱায়েল ঙসি চথরগনি

**ইম্ফাল, মার্চ ০৫ (ঐচএনএস) :** মমাঙ থাগী ১৩দা প্রসিদেন্ট দ্রৌপদি মুরমুনা মঙোন দা কন্সটিট্যুশনগী আর্টিকল ৩৫৬না পীবা পৱারগী মতুংইন্না ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিবু সস্পেন্দেদ এনিমেশনদা থম্লগা প্রসিদেন্টস রুল থম্লকপবু শীংনরদুনা য়ুনিয়ন ওফ ইন্দিয়াগী মহুৎ শিনবা মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়রসকী সেক্রেটরিগী মথক্তা ফাইল তৌরকখিবা রিট পিটিশন নম্বর ১৫৫ ওফ ২০২৫ হয়েং হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী চীফ জষ্টিস দি কৃষ্ণকুমার অমসুং জষ্টিস এ গুনেশ্বরগী বেঞ্চনা লৌখৎতুনা খন্নরগনি।

পিটিশন অসি ...মখা লমায় ৩ কলম ৬

## য়ুহা হাবগী মহয়

**ইম্ফাল, মার্চ ০৫ (ঐচএনএস) :** ঙসি য়ুমশকৈশা নুমিৎ (চৈচৎ ৫/৩/২০২৫ ইং) মালিয়া কুমসিং ৩৪২২গী অয়ুক পুং ১১:০৬ অমসুং নুমিৎয়ুংবা মতুং পুং ১২:২০ চৎপদা মণিপুরদা য়ুহা অনীরক হাখি হায়রদুনা অনীরক থোক্লা হাখিবা য়ুহাগী মহয় উত্রা শঙলেন সনা কোনুংগী মায়চৌ ...মখা লমায় ৩ কলম ৬

### লূপ ২৯গী ৱারেপ

## থাবল চোংলোই, চাকচা-হৈজানরোই, হরাও কুম্মৈ অমত্তা পাঙথোকচরোই

**ইম্ফাল, মার্চ ০৫ (ঐচএনএস) :** ক্বাকৈথেল নিংথেমকোলদা লৈবা নিংথেমকোল দিভেলপমেন্ট এসোসিএশনগী সেক্রেটরি এম উত্তমকুমারনা ঙসি থোরকপা চেরোল অমদা ঙরাং নুংথিল পুং ৩ তারকপদা ক্বাকৈথেল নিংথেমকোল লৈকায়দা ক্লব অমসুং মৈরা ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## থাবল চোংবা থিংজিঞ্জরে

**ইম্ফাল, মার্চ ০৫ (ঐচএনএস) :** কুমসি চহীগী য়াওশঙ থাবলবু নোংপোক শয়াং অপূনবা লূপ (এন এস এ এল) না কোনবা য়াইরিপোক মায়কৈগী ওইনা অথিংবা থমজরে হায়না লূপ ...মখা লমায় ৩ কলম ৬



### কোটুদা কোকোমিগী ৱাফম :

## ইন্দিয়া লৈঙাক্কী ফিরেপ্তা ফোংনা শীংনরিবা কোটুগুম্বা লূপ্তা এক্সন অমত্তা লৌদবনা মীয়ামদা চিংনবা ফাওহল্লে

### ফোক্সনা থা অসিগী ৮দা হিংমিন্নবগী পাউজেল পুবা খোঙচৎ চৎকনি হায়রিবসি হোম মিনিষ্টরগী ৱাফম থবক্তা ওন্থোকপা ঙম্ব্রা হায়বা ফাওবদি য়েংমিন্নখিসি : কোকোমি

**ইম্ফাল, মার্চ ০৫ (ঐচএনএস) :** থা অসিগী ৮দগী মণিপুরগী লম্বী খুদিংমক্তা মীওই খুদিংমক্না চৎপা য়াহন্নবা অমদি মসিগী মায়োক্তা লৈরকপশিংগী মথক্তনা অকনবা এক্সন লৌখৎকনি হায়বা য়াওনা হোম মিনিষ্টর অমিট শাহনা থা অসিগী ১দা ন্যু দেল্লীদা পাঙথোকপা মণিপুরগী সিক্যুরিটিগী ফীভম রিভিয়ু তৌবা মীফমদা গভর্ণরদা পাউতাক পীরকখ্রবা মতুং কাংপোকপীদা বেজ তৌবা কম্মিটি ওন ত্রাইবেল য়ুনিটি (কোটু) গী মায়কৈদগী হোম মিনিষ্টরনা খঙহল্লকখিবা ৱাফম অমদি ইন্দিয়া লৈঙাক্না লৌরক্লিবা ফিরেপ অসিবু ফোংনা শীংনরক্লবসু মখোয়গী মথক্তা এক্সন অমত্তা লৌদবনা ...মখা লমায় ৩ কলম ২




## ‘ইমাগী মৈরা’ না মীয়ামগী লৈঙাক লৈহন্নবা প্রসিদেন্টদা ৱাকৎখ্রে

**ইম্ফাল, মার্চ ০৫ (ঐচএনএস) :** মমাঙ থাগী ১৩দা প্রসিদেন্ট দ্রৌপদি মুরমুনা কন্সটিট্যুশনগী আর্টিকল ৫৫৬কী মখাদা ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিবু সস্পেন্দেদ এনিমেশনদা থম্লগা প্রসিদেন্টস রুল চৎনহল্লকখিবগী মায়োক্তা ‘ইমাগী মৈরা’ গী প্রসিদেন্ট টি ঐচ সুজতানা ঙসি ন্যু দেল্লীগী রাজষ্ট্রপতি ভবনদা অইবা চেরোল অমা পীশিন্দুনা মণিপুরদা মীয়াম্না খঙবা মীহুৎশিংনা লিংবা অনৌবা লৈঙাক অমা মণিপুর মীয়াম্না পীরকখিবা মেন্দেটকী মতুংইন্না লিংহনবীয়ু হায়দুনা তকশিনখ্রে।

চেরোল অসিনা প্রসিদেন্টদা তকশিনখিবা ৱাফমশিংগী মনুংদা মণিপুরগী স্মোল এন্দ মিদিয়ম ওন্ত্রপ্রেন্যুওরশিং, লৌমীশিং অমসুং লাঞ্জেন্নরিবা মীওইশিংগীদমক ইকোনোমিক রিভাইবেল পেকেজশিং পীবিয়ু অমসুং নহা ওইরিবা ওন্ত্রপ্রেন্যুওরশিংগীদমক অপীকপা শেন্দোইদা লোন পীবিয়ু হায়জখি। অদুগা মণিপুরগী ষ্টেট অমসুং নেশনল হায়ৰেশিংদা অশোয় অঙাম য়াওদনা মীয়াম্না চৎথোক চৎশিন ঙমজনবগীদমক সিক্যুরিটিগী চেকশিন থৌরাং হেন্না কন্না লৌখৎপীয়ু হায়বা ৱাফমসু ফোঙদোকখি হায়রি।

চেরোল অসিগী কোপিশিং বি জে পিগী নেশনল প্রসিদেন্ট জে পি নদ্দা অমসুং বি জে পি মণিপুর মন্দলগী প্রসিদেন্টতসু পীখি হায়রি।

## ইম্খোলদা তারম্বা মোর্টার সেল অমা পুলিসনা দিস্পোজ তৌখ্রে

**ইম্ফাল, মার্চ ০৫ (ঐচএনএস):** সেকমাই পি এসনা কোল্লিবা কান্টো শাবলগী সেরিকলচর ফার্ম মনাক্তা লৈবা উসম হেরা কৌবা মীওই অমগী ইম্খোলদা ৫১ এম এমগী মোর্টার সেল অমা লৈরম্লে হায়রি।

বোম অসি লৈরে হায়দুনা ঙরাং অয়ুক পুং ৯.৩০ রোম তারকপদা পুলিসতা পাউ পীরকখিবনি। পাউ অসি ফংবদগী সেকমাই পুলিসনা দিপার্টমেন্ট অসিগী বোম দিস্পোজেলশিংগা লোয়ননা খুদক্তা লাক্তুনা য়েংশিল্লবা মতুংদা বোম এক্সপার্টশিংনা বোম অদু পোকখায়হন্দনা লৌথোরক্লগা মী শোকহন্দনা দিস্পোজ তৌখ্রে হায়রি।

## মণিপুরগী লাননা অমাঙ-অতা থোকহনখ্রবা লাইনীংগী মফমশিং শেমগৎনবা অমিট শাহনা খঙহল্লকখ্রে

**ন্যু দেল্লী, মার্চ ০৫ (এজেন্সী) :** মমাঙ থাগী ১৩দা মণিপুরদা প্রসিদেন্টস রুল চৎনহল্লকখ্রবা মতুংদগী থা অসিগী ১দা ইহান হান্না হোম মিনিষ্টর অমিট শাহনা চেয়র লৌদুনা ন্যু দেল্লীদা লৈবা মহাক্কী মিনিষ্ট্রিদা পাঙথোকখিবা ষ্টেট অসিগী সিক্যুরিটিগী ফীভম রিভিয়ু তৌবা মীফমদা থবক্তা ওন্থোক্কদবা পাউতাকশিং গভর্ণর অমসুং মহাক্কী ওফিশলশিংদা পীখিবগী মনুংদা মে ৩, ২০২৩দগী হৌরকখিবা কাঙলূপ মশেলগী ঈরাংনা অমাঙ অতা থোকহনখিবা লাইনীংগা মরী লৈনবা মফমশিং নৌহৌননা শেমগৎনবা পাউতাকসু পীরকখ্রে হায়রি।

হীরম অসিগী মতাংদা লৈঙাক্কী সিনিয়র ওফিশল অমনা ফোঙদোরক্লে হায়না নেশনল মীদিয়া ‘দি হিন্দু’ না রিপোর্ট তৌরক্লি। থৌরাং অসিমক মীতৈ অমসুং কুকি-জো ফূরুপশিংগী মরক্তা লৈরক্লিবা য়ানদবশিং কোকহন্নবগী পান্দমদা লৌখৎলক্কদবনি হায়নসু লৈঙাক্কী ওফিশল অদুনা ফোঙদোরক্লে হায়রি।

মণিপুরদা কাঙলূপ মশেলগী ঈরাং থোরকপদগী কুমজা ২০২৩গী ওগষ্ট থাদা মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদগী সুপ্রিম কোর্টতা খঙহল্লকখিবগী মতুংইন্না ফূরুপ অনীমক্কী লাইনীংগা মরী লৈনবা মফম ৩৮৬ অমাঙ-অতা থোকহনখ্রে হায়বগী ৱাফম ফোঙদোরকখিবা লৈখ্রবনি হায়রি।

মরম অসিদগী সুপ্রিম কোর্টনা কুমজা ২০২৩গী সেপ্টেম্বরদা মতম অদুগী মণিপুর লৈঙাক্তা খৃষ্টিয়নগী চর্চশিং, হিন্দু অমসুং সনামহীগী লাইশঙশিং য়াওনা মুসলিমগী মোক্সনচিংবা অমাঙ অতা থোকহনখিবা লাইনীংগী মফম পুম্নমক খুদক্তা মশক খঙদোক্তুনা মখোয়বু ঙাক শেনবগী থবক লৌখৎনবা অমসুং মখা তানা অমাঙ অতা থোকহন্দবা অমসুং খোপচিলহন্দনবসু খঙহনখিবনি হায়রি।

হোম মিনিষ্টরনা চেয়র লৌদুনা পাঙথোকখিবা মণিপুরগী সিক্যুরিটিগী ফীভম রিভিয়ু তৌবা মীফম অদুগী মতাংদসু মিনিষ্ট্রি ...মখা লমায় ৩ কলম ১

## ঙসি নোংমৈ পীখৎলকপগী অরোইবা নুমিৎনি নোংমৈ ৩২ সরেন্দর তৌরকখ্রে




**ইম্ফাল, মার্চ ০৫ (ঐচএনএস) :** গভর্ণর এ কে ভল্লানা মমাঙ থাগী ২০দা নুমিৎ ৭নিগী মতম পীরদুনা লুট তৌখিবা অমসুং ইল্লিগেল ওইবা খূৎশু খূৎলায়শিং পীখৎলক্নবা আপীল তৌখ্রবা মতুংদা খূৎশু খূৎলায়শিং খরা পীখৎলকখ্রবসু মশীং শুদবদগী অমুক হন্না অমসুং অরোইবা ওইনা হয়েং নুংথিল পুং ৪ ফাওবা শাংদোকহন্দুনা অরোইবা আপীল তৌরকখিবগী মতুংইন্না ঙসিসু তোঙান তোঙানবা খূৎশু ...মখা লমায় ৩ কলম ৬

## মথৌ মশক খঙনা থবক তৌবীয়ু : চ্যেরমেন-বোসেম

**ইম্ফাল, মার্চ ০৫ (ঐচএনএস) :** মহৈরোয়শিংগী লাইবক লেপ্পনবা বোসেমনা লৌদুনা চথরক্লিবা ক্লাস টেনগী এগজাম অসিদা এস ও, ও সী, এ ও সীশিংনা মশাগী খুদোংচাবা খরগীদমক ক্বেশন লিক ওইহনবা য়াওখিবদু বোসেমনা হকচিন্না লৌই হায়রদুনা বোর্দ অসিবু মীংচৎ থীনবা হোৎনরম্বা মরাল লৈবা ওজা অনী জেল য়ৌখ্রে হায়না বোসেমগী চ্যেরমেন অখাম জয়কুমারনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি বাবুপড়াদা লৈবা বোর্দ অসিদা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফমদা মহাক্না ফোঙদোক্লদুনা মখা তানা হায়, মখা তানা ক্লাস টেনগী অরোইবা ওইনা পাঙথোক্কদৌরিবা মেথমেটিক্স সবজেক্টকী এগজামিনেশনদদি পামদবা থৌদোক থোক্তনবা সেন্টরশিংগী এস ও, ও সী অমদি এ ও সীশিংনা মথৌ মশক খঙনা থবক তৌবীয়ু। করিগুম্বা সেন্টর অসিগী মীওইশিংনা বোসেমগী এস ও পিবু অরানবা মওংদা শীজিন্নরম্লবদি মণিপুর প্রিভেন্সন ওফ মাল প্রেক্টিসেস ইন হায় স্কুল লিভিং সর্টিফিকেট এন্দ হায়র সেকেন্দরি এগজামিনেশন এক্ট ২০২৪গী মখাদা চৈরাক ফংগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

মহাক্না মখা তানা হায়, বোসেমনা চহী খুদিংগী লৌবা ক্লাস টেনগী এগজামিনেশনগী মনুং চন্না হন্দক চহীগী ...মখা লমায় ৩ কলম ৫

## মফম ২দা লাম্নৈ চাক্লকপদগী পাখৎনরুরে



**ইম্ফাল, মার্চ ০৫ (ঐচএনএস) :** ঙসি নুংথিল পুং ৪.২০ লোম তারকপদা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী তেন্থা কংলা চীংদোং পরিংদা খঙহৌদনা লাম্নৈ চাক্লকপদগী মনাক নকপা মীয়াম পাখৎনরুরে অদুবু থৌবাল ফায়র সব ষ্টেশননা খোংজোম পি এস অমদি থৌবাল ফোরেষ্ট গর্দশিংগা লোয়ননা মীয়ামগী মতেংদগী মূত্থৎতুনা কনখি।

অদুগা নুংথিল পুং ৪.৩০ রোম তারকপদনা সেকমাই পি এসনা কোনবা খুরখুল অমদি হরাওথেলগা নক্লবা চীংয়াগা তাইনবদা লৈবা মীতৈ অমগী ফার্ম মনুংদসু লাম্নৈ চাক্লকপদগী মীয়াম পাখৎনখি অদুবু সেন্ত্রেল ফোর্স অমদি খুঞ্জাশিংনা মূত্থৎতুনা কনখি হায়রি।

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

## ইশাগী ইরমদমদা রিফ্যুজি ওইনা লৈনবা লাঞ্জেল্লকপা নত্তে, শিরবসু খোইরি নাওফম তাখিবা ইশাগী য়ূম্ফমদা শিগনি : পুয়াম চীঞ্জে

**রিলিফ কেম্পতা লৈরক্লিবশিংগী হকথেংনবা পাউদম**

**মোরে ৱার্দ নম্বর ৬তগী খুঞ্জা**

**(ঙরাংগী মখা...)**

নম্বোলদা লৈবা ইমান্নবা অমগী অপোকপা লৈখিদবগী শোরাৎ য়াওরুরবা মতুং লান হৌরকখিবা নুমিৎ মে ৩, ২০২৩দা পেসেঞ্জর গাড়ী অমা তোংদুনা ইশাগী য়ূম লৈরিবা মোরেদা হল্লকপগী লম্বীদা নুংথিল পুং ৩.৩০ রোম তারকপা অদুৱাইদা মোরে কৈথেল য়ৌশিল্লকপদা কুকিশিংনা কৈথেলদা নুঙনা থোম্বা লাপ্না উরকপদগী ঐখোয়না তোংলকখিবা পেসেঞ্জর গাড়ী অদু মনাক নক্লা থৌজিন্দনা খামখি। গাড়ী খাল্লবা মতুংদা কোইয়েং য়েংবদা মীতৈ মচা অমত্তা উবা ফংখিদে। ফীভম অদুদা লম্বীদা চৎপদা ফরক তারগনি খনবদগী মফম অদুৱাইদা লৈবা য়ূম্লক্তা চেনশিল্লগা খুজাইরোক তুরেল তম্না লোন্না চেল্লগা ঐগী য়ূমগী মনীংলোমদা ফাওগৎলগা মনীং থোঙলোমদা চৎদুনা য়ূম য়ৌখি। ঐনা য়ূম য়ৌবদা ইমুংগী মীওই পুম্নমক ইপা-পাখৎনা লৈরমখি। ইমাগা পাবুংগা অমদি থা ৩গী অঙাং নাওপুরবী ঐগী লোয়নবী লোৎতুনা লৈরমখি।

মোরে ৱার্দ নম্বর ৬তগী লাঞ্জেল্লক্লগা হৌজিক্লা অকাম্পাৎকী আইদিএল গর্লস কোলেজদা হাংবা রিলিফ কেম্পতা চঙজফম লৌরক্লিবা মশাগী চহী ৩৫ রোম শুরবা পুয়াম চীঞ্জে মৈতৈনা মোরেদা লান হৌরকখিবা নুমিৎতা মহাক্লা মমিৎমক্লা উদুনা হকথেংনখিবা ৱাফমশিং অসি ফোঙদোক্লদুনা পাউচে অসিদা মখা তানা হায়, খুজাইরোক তুরেল লাম্থোক্লগা লৈরিবা ইষ্টর্ন সন গ্রাউন্দদা লাঞ্জেন্নরকপা মীতৈ মচাশিং অয়াম্বগা থেংনখি। মফম অদু য়ৌবদা নুমিৎ তারে, পুন্সম মল্লে। অদুবু তুরেলদুগী ৱাংমদদি য়ূম মৈ চাকপগী মৈরি ময়াম্না পুমঙাং ঙাংনা উখি।

লান হৌরকখিবা নুমিৎ অদুগী নুমিদাং পুং ১১ তারকপা ফাওবা ঐহাক অমসুং লাঞ্জেন্নরক্তুনা মফম অদুদা থুংলখিবা মীতৈশিং ইষ্টর্ন গ্রাউন্দদা অদুমক লৈখি। অদুবু থেংজিল্লক্লবা অদুদদি মফম অদুদা অদুমক লৈবদা খুদোংচাররোই হায়দুনা ঐখোয়বু পুলিসনা ঙাক শেল্লগা মোরে পুলিস ষ্টেশন তম্না লাকখি। মোরে পুলিস ষ্টেশন য়ৌবদা থোকহন্নীংদবা থৌদোকশিং থোক্লরোই খনখি অদুবু পুলিস ষ্টেশন অদুদা ফাওবা ঐখোয় ময়াম লৈবদা খুদোং থীনীংঙাই ওইরে হায়দুনা নুমিৎ অদুগী নোংঙাল্লমদাই পুং ৩ রোম তারকপদা মোরেদা লৈবা সিফাইগী কেম্পতা ঐখোয়বু থৈদোরকখি। কেম্প অদুদা থরুবা ঈশিং ফাওবা ক্যু লেপত্রবদি ফংদে। চাক হাপ্লগা চানবা পুখুম লৈতবদগী খাঙ্গ্রা মনা হেক্লুরগা মদুনা পুখমগী মহুৎ শিল্লগা চাক চারকখি। (মথং-মথং)

## খুমন পল্লিগী লম্বী শলাক শারে



**মার্চ ৩, ২০২৫ ফাওবদা ওইখিবা খুমন পল্লিগী লম্বী**

**ইম্ফাল, মার্চ ০৫ (ঐচএনএস) :** মিনুথোং থোংখোঙদগী অৱাং পাংনা চঙশিনবা খুমন লম্পাক্কী ফেন্সিং মনাক্তা দিঙ্কু রোদকা শম্নহল্লিবা খুমন পল্লিগী লম্বী অসি পি দব্লিয়ু দিনা মতম চানা শেমজিন্দবদগী শলাক শারে।

লম্বী অসি তেল্লবসু নোংমদা গাড়ী মচা অমসুং লাইট ভেহিকলশিং মশীং থিঙমদনা চৎলিবনি। অদুবু নুমিৎ খরনিগী মমাঙদা লেন য়াওনা অকনবা নোং ঙাইহাক চুখিবদগী হান্নদগী লম্বী অসিদা লৈরকপা কোমকুৎশিং পূখ্রি ওন্থোরকপগা লোয়ননা লম্বী অসিগী ফীভম শলাক শারে।

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী, এদভর্টিজমেন্টগীদমক অমসুং রিদরস ক্যেরগীদমক মোবাইল নম্বর +৯১- ৯৭৭৪৮০৩১৪৫